থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# অতোপ্পগী অমদি ইশাগী পূক্নিং ৱাখল খঙমীন্নবা

অদোম, কনাগুম্বা অমগী মায়থোঙদুদা য়েংলগা, মাগী পূক্নিং খঙবা ঙম্বরা? মীগী পূক্নিং খঙব'সিবু অরুবা থবক অমরা? মুন্না খন্থরুদনা কনাগুম্বনা লুনা খন্নরবসু অমুক্তং তিল্লাং খয়োৎনবীয়ু - অরুবা থবক নত্তবনি। নোংমাইথেম পহারীনা শকপা, বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মগী ময়েক 'অচম্বা মীনোক নত্তেনে/নুংশি মীনোকনি মাগীদো' হায়বা ঈশৈদু নীংশিংবীয়ু। নুপীজা অমনা খোয়রুম মোমোন তৌবা মায়থোঙদু উরগা নুংশি-পাউজেল ফাওনরিবা পাখঙ অমদি লৈশানি। 'বিং ক্রোসবি' অমেরিকান লিরিসিষ্ট (ঈশৈ ইবা) অফাওবদুনা ইবা ময়েক অমগা লৈ ... 'য়ু দোন্ট নীদ তু নো দ লেংগ্বেজ টু সে য়ু আর ইন লব' ... (নুংগী ঈপাক্তা তাওরে হায়বা ফোঙদোক্লবা লোন অমা মথৌ তাদে)। ঈশৈ ময়েক অনী অসিনা ফোঙদোক্লিবা মফোঙদোক ... পূক্নিংগী ৱা, সাইকোলোজি ... মুন্ন'মুক্তা খন্থবীয়ু - অচৌবা সাইকোলোজিগী লাইরিক অমা পাবগুম্না তৌবনি। কনাগুম্বা নৎত্রগা কনাগুম্বী অমবু অতোপ্পা কনানা নুংশিরুরে হায়বা ফোঙনবা ৱাহৈ নৎত্রগা লোন অমগী দরকার লৈতে... নুংশি চৈনা ফংলবা নৎত্রগা নুংশি-ঈপাক্তা লুপ্লুরবা মহাক অদু নত্তনা ৱাহৈসিগী মতিক-ময়াই, কনানসু খঙ'ঙল্লোই।

মতৌ অসিগুমদুনা 'ঐনা নঙবু পাম্মী' নৎত্রগা 'ঐনা নঙবু তূক্কচৈ' .. নৎত্রগা 'নহাক ঐঙোন্দা মরু ওইবা মীশকনি/মরু ওইদবা মীশকনি' ... 'ঐনা নঙবু কল্লকই'... 'ঐহাক নঙবু কিজৈ' ... অসিনচিংবা ৱাহায়শিংসি হায়নবা ঐখোয়গী 'লোন' - তঙাইফদবা অমা নত্তে। 'ঐ থবক অসি তৌনীংদ্রে', 'ঐহাক লাম্বনা চরী তৎলে' - হায়বনচিংবসি ৱাহৈগী ৱাংমদা মীওইবনা ইরায় লায়না ফোঙদোক্লবা মফোঙদোক লৈ। অমরোমদা হায়রগা, ঐখোয়না খল্লিবা ৱাখল অদুগী মমি, ঐখোয়না তৌথোরকপা থবক্তুদা তাই। কা অমগী মনুংদা ফমদুনা থবক শূমিন্নরিবা নুপা নৎত্রগা নুপীদুগী মওং-মতৌ, লীচৎ-শাজৎ উবমক্তদা খঙবনি - ময়ূমদা কনাগা করি তৌনরক্লে? থবক খোয়জংনা শূরিবরা/মতম লেন্নবা লাক্লিবরা? দুকান মপুনা পোৎ য়োনবই পূক্নিং, ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংগী/মপুরোয়বনা মাগী নুপীগী/নুপীনা মাগী নুপাগী পূক্নিংগী ৱা খঙববু তম্নরুবা/তাক্লরুবা নাইবরা?

তরু-তরুবা ওফিস অমদা হেক চঙলকপদা ফ্রন্ট-ওফিস'তা ফম্লল্লিবা মশা নানবা নুপা নৎত্রগা নুপীদুনা 'হ্বাট কেন আই দু ফোর য়ু সার/মেদাম' হায়বা ৱাহৈদু নত্তে মরু ওইরিবা। ৱাহৈদুগা ইরোয়নরকপা 'মোমোন মীনোক' অমদি 'খোম্থোক' অদুনি হেন্না মরু ওইরিবদি। মহাক্কী 'গুদ মোর্নিং' হায়বা ৱাহৈ/খোম্থোক' অদুখক্তনা ওফিস-শঙলেন অদুগী শক্তাক্লফমনি। ৱাহৈ অনীখক্তু হায়রিবা নুপা নৎত্রগা নুপীদুনা ঐহাকপু কৌশিনবা নৎত্রগা তাম্থোকপগী ৱারেপ্লফমনি। মীওইবগী ৱাহৈনা ফোঙদোরক্লিবা পাউজেলদুদি ওইদ-পাদ-মীনম-শোরি ওইরম্বসু য়াই অদুবু, মীৎয়েংনা-নায়েংনা, ইঙ্গিৎনা-ঈরাংনা ফোঙদোরকপা পাউজেলদুদি লৌথুপ-লৌকোই লৈত্রবা, থম্মোয়গী অশেংবা পাউজেলনি।

মরোল থোক্তিবা অঙাংগা, খোল্লাং পীথক্লিবী মমাগা পাউ ফাওনরিবা লোন অদু ৱাহৈগী ৱাংমদা লৈখ্রবা লোন অমনি। মীওইবগী লোন শেম্লক্ত্রিঙৈ, কাঙলূপ-ফুরুপ নাইরক্ত্রিঙৈ, পোলিটিকল অমদি জিওগ্রাফিকল বাউন্দরি শেম্মদ্রিঙৈ, মীওইবনা 'মীওইবা' কৌবা ফুরুপ্তা ওইনা লৈমিন্নরিঙৈ, চহী লিশীং-লীচা কয়াসি অমগা অমগা পাউ ফাওননবগীদমক্তা হকচাং কয়াৎ অমদি মায়থোঙ'খক্তগী মতেংনা হায়নীংবা কয়া হায়নরম্মী। ঙসিগী চাওখৎলবা মতমসিদসু 'লোনথোক্তবশিংগী লোন' - লোন'না ফোঙবা ঙমদবা ৱাখলগী ফীলিং কয়া ফোঙনবগীদমক্তা, ৱাঙাঙ হৈবশিংনা খঙবা তঙাইফদবনি।

অসুম্না, মীগী মওং-মতৌ, মীৎয়েং-নায়েং য়েংলগা মীগী লমচৎ-ৱাখল পূক্নিং নুংফাওননা উবগুম, ঐবু মীনা উরগা ফাওরমগদবা ৱাখল-ফীলিং, ইশানা উজবা ঙম্বা, ইশানা ইশাবু খঙজবা- অদুগুম্বা মীশক্তুবু কৌই ঙসিগী মীওইবনা - 'মেন ৱিথ দ রাইট এট্টিচ্যুট'। ৱাখল চুম্না খনবা ঙম্বা মী হায়গদ্রা? মী অমগা অমগা মান্নদ্রিবা, তৌবা ঙম্বগী চাং খেন্নরিবা - মান্নদবা এট্টিচ্যুট অদুননি।

তেরা বোইজ জুনিয়র হায় - স্কুলদা তম্লিঙৈগী ওজা অমা নীংশিংলি। চন্দ্রবীর কৌই লাই-য়েকপা (পেন্টিং) অমদি মীতৈলোন তম্বীরকখি। মানা তাকপা পারা অমত্তা, ঐদই চিংনা, কনামত্তা পূক্নিং চঙখিদে। মানা তৌবা য়াথং অমত্তা মহৈরোয়শিংনা ইনখিদে। হেক চঙলকপগা, অঙাং অমা কৌশিল্লগা মকোক মালিশ তৌহল্লগা উইদুনা (তূমদুনা) লৈগনি। অদুবু, মাগী পেপর অদুদা মহৈরোয়শিং অয়াম্বা নম্বর ৱাংনা ফংনগনি। হায়নখি - 'ওজা চন্দ্রবীর'গী মার্কতি ইরম্লিবা পাউখুমদুগী অশাংবা কাপ'তা ওল্লগা পীবনি'। মবুক ফখ্রবা ওজাদুনা তাকপা পারা - মহৈরোয়শিংদুনা তানীংখিদ্রিবা করিগীনো? কোন্না খঙলকখিবনি - মহাক মশামক্লা পূক্নিং চঙনা তাকখিদবদুনা, মহৈরোয়শিংসু পূক্নিং চঙখিদবনি। অদুগা, রাম-লাল-পোল হায়'স্কুলদা, ক্লাস নাইন'দা হোংলবা মতুংদা থেংনরকখিবা ওজা, রাজকুমার সীতলজিৎ! পুরা তায়ওন্নরবা ক্যারেক্টর অমা! ক্লাস রুমদা চঙবদা, লাইশঙ অমদা চঙবগুম লাইবক কৎলগা চঙহনখিবা! অতোপ্পা ওজাশিংনা লৌরিবা ক্লাস মনুংদুদা মহৈরোয়শিং পূক্নিং-চঙনা তারিবরা? তাদবরা? কোয়না চত্তুনা য়েংশিল্লিবা! মহাক্লা তাকখিবা ইংলিস পেপর ৱান - মালেম শীন্না ফাওরবা শোর্ট-ষ্টোরি অমদি পোইমশিং পিন-দ্রোপ-সাইলেন্স'তা মহৈরোয়শিংনা তাখিবদু, মহাক্কী চৈরাক কিবনা নত্তে। ওজা অমা ওইবগী মথৌ-শঙলবা (এক্টিভেটেদ) এট্টিচ্যুট অদুনা মহৈরোয়শিংবুসু মথৌ শঙখিবনি।

মালেম শীন্না য়ানরবা এট্টিচ্যুট মখল অহুমখক্তু, দিভলপ তৌনবা হোৎনসি। য়েংশি - ইশাদা করি অহোংবা লাকপগে - (১) ঐহাক পূক্নিং হকচাং অনীমক য়াওশিন্না থবক তৌরি; (২) ঐগা থবক তৌমিন্নরিবা মহাক্তু, ঐগুম মরু ওইবা মীশকনি; (৩) ইশাগী ইরন্নাই থবক্তগী অতোপ্পগী (কষ্টমরশিংগী) না হান্না ... হায়বা ৱাখল অসিনা মাঙওইনবনা।

লৌশিং পুক্কে

# য়ূমগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ নাদুনা লৈবা মতমদা লায়না অসিদগী ইশা ঙাকথোকচনবা পাম্বৈশিং-১



য়ূম অমত্তদা লৈমিন্নরিবা মীওই অমা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরকপা হায়বসিনা পোজিটিব ওইরিবা মীশক অদুসু ওইদবা ঐখোয়দসু য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওইবা ফিভম অমা ওইহনবা য়াই।

ন্যু য়োর্ক সিটিগী খ্বাইদগী চাউবা হেল্থক্যের প্রোভাইদর ওইরিবা নোর্থৱেল হেল্থকী ইনফেক্সিয়স দিজিজ, ইন্টর্নেল মেদিসিনগী ফিজিসিয়ন ডা. দেবিদ হির্ছৱর্কনা হায়, 'মসি খন্নদবা য়াদবা য়াম্না মরুওইবা ফিভম অমনি, মরমদি য়ূম অমত্তদা লৈমিন্নরিবা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা হায়বসি য়ূমদুগী অতোপ্পা মীওইশিংদসু ইনফেক্সনগী রিস্ক চাদা ৫০ রোম ওই হায়বসি ঐখোয়না খঙই।'

লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না হৌজিক্তি কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবা মীওইশিং মশাগী ময়ূমদা লৈজবা য়ারে। ঐখোয় ইশাবুসু লায়না অসিনা শোকহন্দনা য়ূমদা লৈমিন্নরিবা কোভিদ-১৯ নারবা মীওই অদুবু মতেং পাংবা অমদি মহাকপু শেন্নবীবা য়ানবগীদমক এক্সপার্টশিংনা পীবা মখাগী কাঙলোনশিং অসি খঙজিনবা মথৌ তাই।

**টেষ্ট তৌথোকপা**

করিগুম্বা য়ূমদা লৈমিন্নবা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবদি য়াম্না থুনা কোভিদ-১৯ পি সী আর টেষ্ট অমা তৌথোক্কদবনি হায়না লোস এঞ্জেলসতা লৈবা সোল্লিস হেল্থকী মেদিকেল দিরেক্টর ডা. স্কোট ব্রাউনষ্টাইননা হায়রি।

ব্রাউনষ্টাইননা মখা তারদুনা হায়, টেষ্ট তৌবদা নেগেটিব লাক্লবফাওবদা ইনফেক্সন তৌবা কুইদ্রিবনা মরম ওইরগা ভাইরেল লোদ অদু টেষ্ট তৌবদা খঙবা ঙম্বগী চাং য়ৌদবনা মরম ওইরগা ফোল্স নেগেটিব ওইরম্বা য়াই। ঐখোয়না খঙই মদুদি, ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫-৭তা টেষ্ট সেন্সিটিভিটিগী চাং য়াম্না হেনগৎলকই, মরম অদুনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা নৎত্রগা মতুংদা অনীরকশুবা ওইনা কোভিদ-১৯ পি সী আর অমুক্কা টেষ্ট তৌবা মথৌ তাবা য়াই। করিগুম্বা টেষ্ট তৌবদা খুদোং চাদ্রবা নৎত্রগা তৌররোই হায়না খল্লগদি লায়না অসিগী লাইওং উৎলক্ত্রবা মতুং নুমিৎ ১৪নি ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈবা হায়বসিসু অতোপ্পা পাম্বৈ অমনি। কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবা মীওই অদুগা কন্তেক্ট তৌরুবা মীপুম খুদিংমক্লা মরী লৈনবা মীওইশিংদা পাউ পীগদবনি। য়ূমগী মীওইশিং অমদি নক্লা লোয়নরুবা মীওই খুদিংমক পোজিটিব ওইরম্বা য়াই হায়না লৌগদবনি হায়নসু ব্রাউনষ্টাইননা মখা তারি।

**কন্টেক্ট তৌবগী চাং হন্থবা**

কোভিদ-১৯না নারবা মীওইশিং শেন্নবগী গাইদলাইনদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা হায়রি মদুদি:

– কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অদু মশানা য়ূমগী মী অতৈদগী তোঙান্না লৈগদবনি।

– ঙল্লগদি কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবা মীওই অদুগা ইমুংগী অতোপ্পা মীওইশিংগা তূম্ফমকা অমসুং বাথরুম পূল্লোইদবনি।

– য়ূম অদূদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবা মীওই অদুদগী য়ামদ্রবদা ফিট ৬ লাপ্না লৈগদবনি।

কোভিদ-১৯ নারবা মীওই অদু লাইওং উৎলকপা নুমিৎতগী নৎত্রগা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরকপা নুমিৎতগী য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈগদবনি। খরা কন্না নাবা মীওইশিংগী ওইনদি নুমিৎ মশিং হেন্না ক্বারন্টিন তৌবা মথৌ তাগনি হায়নসু ব্রাউনষ্টাইননা হায়রি।

অচিনবা য়ূমদা লৈবা ওইরগদি কোভিদ-১৯ নারবা মীওই অদু অতোপ্পা মীওইশিংদগী হেক য়ারিমখৈ লাপ্না লৈহগদবনি হায়না নোর্থৱেল হেল্থতা ইনফেক্সিয়স দিজিজ দিভিজনগী এটেন্দিং ফিজিসিয়ন অমসুং এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরিবা ডা. ব্রুস ঈ. হির্ছনা হায়রি।

ডা. হির্ছনা হায়, অয়াম্বা মতমদা পোজিটিব ওইবা মীওই অদুদগী লাপ্না লৈবা হেল্লিবগী মতীক ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌরবসু অনেম্বা দোজদা তৌগনি। ভাইরেল লোদ অপীকপনা ইনফেক্ট তৌবা মীওই অমদগী ভাইরেল লোদকী চাং য়াম্না ৱাংবনা ইনফেক্ট তৌবা মীওই অমনা হেন্না কন্না নাবা হেল্লি হায়বগী খুদম কয়ামরুম লৈ।

অনাবা মীওই অদুবু শেন্নবদি অদুম্মক য়াই, অদুবু মথৌ তাবা মতমদখক্তং মনাক্তা চঙগদবনি। কোভিদ-১৯ নাবা মীগা লৈমিন্নবা মীওইশিংনা অনাবা মীওই অদুগী অচা-অথক পীবা চঙবা মতমদা কা মনুং অদুদা কুইনা লৈরোইদবনি হায়নসু ডা. হির্ছনা মখা তারি।

# ইন্দিয়া পুম্বদা পাঙথোকখিবা নেসনল ষ্ট্রাইক মরম চাই : এম পি সী সী

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬ (ঐচএনএস) :

বি জে পি গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়মেন্টদা ফাওবা খন্ন-নৈনবা তৌদনা শিন্মি অমসুং লৌমিশিংগী মায়োক্তা লৈবা আইনশিং পাস তৌখিবা অদুগী মায়োক্তা আই এন টি য়ু সী অমসুং বেঙ্কিং, রেলৱে অমদি ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইন্সটিটুটশিংগী ইমপ্লোয়ি য়ুনিয়নশিংনা নবেম্বর ২৬তা কৌখিবা নেসনল ষ্ট্রাইক অসি য়াম্না মরম চাবা অমনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোঙ্গ্রেস কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল তিলোতামানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লিবদি কোঙ্গ্রেস পার্টিগী ওইনদি পার্টি অসি হেক হৌদোকপা মতমদগী শিন্মিশিং অসি মশা ঙাকথোকচবা ঙম্নবা জ ৱাহরলাল নেহরু অমসুং ইন্দিরা গান্ধীনা থবক পায়খৎখি। শিন্মিশিংবু মখল-মখা কয়াগী তুহৎপিবগী চৈথেংশিং চপচানা মায়োক্লনবা পুন্না লেবর লো ৪৪ ইন্দিয়াদা চৎনহনখি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনদি কোর্পোরেটশিং অমদি মল্টি নেসনল কম্পনিশিংবু শৌগৎতুনা য়াম্না লায়না ললোন ইতিক তৌহনবগী থবক তৌরি। অদুগা অমরোমদা শিন্মিশিংবু তুহৎপিনবা লোন্না লম্বী য়াৎলি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মণিপুর প্রদেশ কোঙ্গ্রেস কম্মিটিনা য়াম্না হকচিন্না লৌই অমসুং আই এন টি য়ু সী অমদি ট্রেদ য়ুনিয়ন্স কো-ওর্দিনেটরদা মপুংফাবা মতেং পীবগা লোয়ননা নেসনল ষ্ট্রাইক অসি শৌগৎলি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা**

হৌখিবা ওক্টোবর থাদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা নোটিস অমনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইবশিংগী কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা থা ৭/৮ তোলোপ ফংদনা লৈখিবগী অৱাবা খরদং কোক্লবা পেরেন্টশিংদগী স্কুল ফি চাদা ৩০ লৌখৎলগা তোলোপ পিনবা হায়খি। অদুবু মহৈরোয় লুপশিংগা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী ঙসি ফাওবা প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিং ৱানা হিংলি। পেরেন্টশিংনসু স্কুলগী অঙাংশিংগী ফি থীবা ঙল্লোই হায়খি। অমরোমদা স্কুলদা অঙাংশিং থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌরিবা স্কুলগী ভেন দ্রাইভরশিংবু কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন অমত্তনা মতেং পাংবগী থবক উদে। অদুবু হন্দক মীওই খরনা ভেন দ্রাইভরশিংদা মতেং পাংবিবগী পাউ ফংবদা তশেংনা নুংঙাইবা অমা ফাওই। মখা তারকপা ওইনা পুকচেল চাওবা মীওইশিংনা মতেং পাংবিরগদি হেন্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইগনি। প্রাইভেট স্কুলশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টশিং অয়াম্বনা গভর্ণমেন্ট জোব তৌবা ঙাক্তনি। থবক তৌজদবা মীওইশিংনবু হেন্না ভেন দ্রাইভরশিংগী অৱাবা উবিবগুম তৌরি। লৈঙাক্লা হরাউ-কুম্মৈ থোরকপা মতমদা তঙাইফদনা প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংদা শেলগী মতেং খরদং ওইরবসু পাংবিয়ু। লোয়ননা এস ও পি ঙাক্লা স্কুল হাংদোক্তুনা লাইরিক তম্বা য়ানবসু হোৎনহন্নিংই।



**থৌনাওজম সুবাসিনি, অন্দ্রো মমাং লৈকায়**

মনিপুরগী পুৱারীদা লমদম অসিগী নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখি। লৈবাক মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা লমদম অসিগী নুপীশিংবুসু ইকায়খুম্ন বিবগা লোয়ননা নুপীশিংগী ওইবা চাওখৎ-থৌরাং কয়া পায়খৎনবসু হোৎনবিদুনা লাক্লি। মতাং অসিদা হায়জনিংলিবা ৱাফমদি লমদম অসিগী পুৱারীগসু শাগোন্নদুনা লাক্লিবা অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈরিবা সেদ্যুল কাষ্টকী নুপী লুখ্রাবিশিং অসিগী মখোয়গী ফংফম থোকপা হক চাদা ৯৭ লোম ঙসি ফাওবদা অদুমক ফংদনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরি লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবিদুনা মায়কৈ অসোমগী নুপী লুখ্রাবিশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহনবিনবা হোৎনবিয়ু। মরমদি ঙসি-ঙসিমকসু মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা লুখ্রাবি নুপীশিংনা হিংলিবা পুন্সি মহিং অৱাবা ফীভম অমদা লৈরি। লৈঙাক্লা লুখ্রাবিশিংগী চাওখৎ-থৌরাংগী থৌরমশিং পায়খৎপীবগা লোয়ননা সেদ্যুল কাষ্টকী নুপীশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎনবগী থবক থৌরমশিংসু পায়খৎপীয়ু হায়জরি। মদুনা অৱাবা পুন্সি মহিং অমদা হিংলিবা সেদ্যুল কাষ্টকী নুপীশিংগী য়াইফবা খক নত্তনা মখোয়গী মচা-মশুশিংসু মহৈ-মশিন মপুং ফানা তম্বা ফংজবা হায়বদু ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭।১১।২০২০ইং, ইরাই; অয়ুক্কী পুং ৭.৪৭ ফাওবা হিয়াঙ্গেগী ১২নি পাল্লি মতুং ১৩নি পাল্লি।

**মেষ :** অনীংবা থবক পাংবা, য়েৎনরম্বা কোকপা অমদি পল্লম্বা শেল ফংবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্কী মথক্তা মীকোক থোংনা মায় পাক্কনি। অঙম্বনদি তাথি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃষ :** চরাংনরদি চাদিং হেনগনি অমদি মরুপ লোয়নবনা কান্নবা ফংলোই। হকচাংদি নুংঙাইবা হেনগনি। মীয়াম্না থোইনা চানবীগনি। চিঞ্জাক কান্নদি অকিবা নংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** লম্ অয়াম্বদা মায় পাক্কনি। থৌনা ফুদোকউ অমদি চংশিল্লুবা থবক্তা নীংহন্নদনা মাঙলোমদা চঙশিল্লু-লাকচবীনবা লৈরোই। লল্লোন ইতিক কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা হেন্না চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** হকচাং খিংগনি, অনীংবা থবক লায়না পাংগনি অমদি অফবা মীংচৎ তানবা কান্নগনি। অদুবু য়েৎনবা মরমদা মায় পাকপা ৱাগনি-খাংবা কল্লু শাফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** নঙগী ওইবা মী লোয়নদবা তৌগনু অমদি মীয়াম্না য়ারোইদবা থবক পাংদবনা মায় পাকপা ওইগনি। শাগৈনা চানবীগনি। অদুবু হুরানবনা থবক্তা য়েংথি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরীদি ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কন্যা :** মীকোক থোংগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওই অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই। অনীংবা থবক্তা নিংহন্নদনা চঙশিল্লু। অদুবু ফংবা য়াবা পনগনি-চরাংগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা নুংশিবী।
**থৌনি পোৎলম :** অঙৌবা।

**তুলা :** নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্কী লম্দা থোইনা মায় পাক্কনি অমদি ৱাখলগী পাঙ্গল য়াম্না লৈবা নুমিৎনি-মীনা ইনশিনবা লৌদনা অনীংবা থবক পাংহৌরো।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**বৃশ্চিক :** লাইবক ফরনি-চিংনগনু অনীংবা অফবা থবক পাংহৌরো। য়েৎনরম্বা কোকচদুনা লন চংগনি অমদি মরুপ মপাংগী মতেং পান্নদি লৌবা য়াবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**ধনু :** মতম মাঙগদবা নুমিৎনি-অদুনা মরম চাদনা থৌনা ফরুনু। য়েক্লবদি লায়না লাকশিনবা ঙমগনি অমদি পল্লম্বা শেল ফংগনি। অদুবু অনম তানবদি কাইনবা নংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** নীংবা মপাদি চারোই অমদি ৱাখলগী পাঙ্গল খরা শোনগনি। থৌনা লৈবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা মীনদি লাকচবা ঙমলোই। মরুপ্না চানগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফরোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** মায় পাক্কনি, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং ফংগনি অমদি য়েক্লবা লাকশিনবা ঙমগনি। অদুবু অশাওবনা মাঙজবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিন :** শেল ফংগনি অমদি য়েৎনরম্বা কোকচগনি। হকচাংদি নুংঙাইরনি অমদি পন্দুনা লৈরম্বা থবক পাংবগী নুংঙাইবা ঙসিসু লৈগনি। লৌশিংনা পাঙ্গলনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংলোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# অকিবা

## থৱান







*Thawan is a poet and musician from Imphal.*